পর্ভিস চনমগী কেস মখা তানা থিজিন্নবা কোর্টনা সী বি আইদা দিরেক্সন পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস): সেপ্টেম্বর ৮, ২০১৭কী নুমিদাংদা গ্রেটর নোইদাদা পাঙথোকখিবা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম অমা য়েংবা চৎখিবদগী হঞ্জিল্লকখিদ্রবা মতুং মথংগী নুমিৎতা সেক্টর ২০-পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা নিথারি ভিলেজগী মুর্গা মার্কেট মনাক্তগী শিনা ফংখিবা পর্ভিস চনমগী মীশিগী মতাংদা সী বি আইনা ক্লোজর রিপোর্টথাগৎলকখিবগী মায়োক্তা ফাঞ্জৌবম লিস্লেইঙ্খীনা গাজিয়াবাদতা লৈবা স্পেসল জুদিসল মেজিষ্ট্রেটতা ৱাকৎপদগী কোর্ট অসিনা ঙরাং পীখিবা ওর্দর অমদা কেস অসিগী মতাংদা মখা তানা সী বি আইনা ইনভেষ্টিগেসন চথবগা লোয়ননা সী বি আইগী আই ওগী প্রোগ্রেস রিপোর্ট অদু আই ও মশামক্না মথং থাগী ২২দা কোর্ট অসিদা সবমিট তৌরক্নদবনি হায়বগী দিরেক্সন পীখ্রে। পনবা য়াবদি, পর্ভিস চনম হঞ্জিল্লকখিদবদগী মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনদা মিশিং রিপোর্ট পীশিল্লবসু পুলিসকী মায়কৈদগী অনক্লেম দেথ বোদিনি হায়দুনা সেপ্টেম্বর ১৩, ২০১৭তা মহাক্কী হকচাং দিস্পোজ তৌথোক্লম্বনি।

ঈ সী আইনা ইলেক্সনগা মরী লৈনবা ওফিসরশিং ট্রান্সফর...

লামায় ১গী মখা... মথৌ তাবা দিরেক্সনশিং পীরক্নি হায়রি।

ঈ সী আইগী মায়কৈদগী পীরকখিবা ইন্সট্রক্সন অদুনা অকক্লবা ইলেক্সনগী দ্যুটি পাঙথোক্নদৌরিবা দি ঈ ও, দেপ্যুটি দি ঈ ও, আর ও/এ আর ও, ঈ আর ও/এ ঈ আর ও অমসুং ইলেক্সনগী থবকশিংদা নোদল ওফিসরশিং ওইনা এপোইন্ট তৌবা ওফিসরশিং অমসুং এ দি এম, এস দি এম, দেপ্যুটি কলেক্টর/জোইন্ট কলেক্টর, টেহসিলদার, বি দি ও নৎত্রগা ইলেক্সনগী থবকশিংগীদমক মখোয়গা মান্নবা রেঙ্কতা দিপ্লোই তৌবা ওফিসরশিংবুসু কোনশিনগনি হায়রি।

অমরোমদা, ঈ সী আইগী ইন্সট্রক্সন অসি পুলিস ওফিসরশিংগী ওইনসু রেঞ্জ আই জি পি, দি আই জি, কম্মান্দেন্ট, এস এস পি, এস পি, এদিসনেল এস পি, সব দিভিজনেল হেদ ওফ পুলিস, এস ঐচ ও, ইন্সপেক্টর, সব ইন্সপেক্টর, রিজার্ভ ইন্সপেক্টর/সার্জন্ট মেজর নৎত্রগা মখোয়গা মান্নবা রেঙ্কতা লৈবা ইলেক্সনগী মতমদা দিষ্ট্রিক্টশিংদা পুলিস ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌবা নৎত্রগা সিক্যুরিটিগী এরেঞ্জমেন্ট লৌখৎলকপদা থৌদাং লৌগদবা ওফিসরশিংসু কোনশিনগনি হায়রি।

অদুম ওইনমক কম্প্যুটরাইজেসন, স্পেসল ব্রাঞ্চ, ট্রেনিংনচিংবগী ফঙ্কসনেল দিপার্টমেন্টশিংদা পোষ্টিং লৈবা পুলিস ওফিসরশিংদি ঈ সী আইনা ট্রান্সফর তৌননবা পীরক্লিবা ইন্সট্রক্সন অসিনা কোনশিল্লোই হায়রি।

অদুম ওইনমক পুলিসকী সব ইন্সপেক্টরদগী হৌরগা মসিগী মথক্তা লৈবা ওফিসর পূম্নমক মখোয়গী হোম দিষ্ট্রিক্টতা পোষ্টিং পীরোইদবনি। কনাগুম্বা পুলিসকী সব ইন্সপেক্টর অমনা চহী ৪গী মনুংদা চহী ৩ মপূং ফানা মফম অদুদা লৈরক্লবদি এসেমব্লিগী টর্ম লোইদ্রিঙৈগী মমাঙদা অতোপ্পা পুলিসকী সব দিভিজনশিংদা ট্রান্সফর তৌগদবনি। লোয়ননা ট্রান্সফর অদুসু মখোয়গী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি মনুংদা তৌরোইদবনি হায়রি। করিগুম্বা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী সাইজ পিকপদগী থবক অসি ওইথোকপা য়ারোইদবা ওইরগনা ওফিসর অদু দিষ্ট্রিক্ট ৱাংমা লান্না ট্রান্সফর তৌগদবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক ইলেক্সনগী মতমদা মসিগী তোঙান তোঙানবা থবকশিংদা য়াম্লবা এমপ্লোয়ী ময়াম অমা শীজিন্নবনা মরম ওইরদুনা কম্মিসনগী মায়কৈদগীসু ষ্টেট মেছিনরিশিংবু অয়াম্বা চাংদা পাক্তক্না ট্রান্সফর তৌনবগী পোলিসি লৈতে। মরম অসিনা ষ্টেট হেদ ক্বার্টরশিংদা লৈবা দিপার্টমেন্টশিংগী ওফিসরশিং অমসুং ইলেক্সন অসিগা হকথেংননা মরী লৈনরোইদবা ডাক্টর, এঞ্জিনিয়র, ওজা, প্রিন্সিপালনচিংবশিং য়াওরোই। অদুম ওইনমক মখোয়গী মথক্তা করিগুম্বা পোলিটিকেল বাইয়স নৎত্রগা গভর্ণমেন্ট ওফিসরশিংগী মথক্তা প্রিজুদিসনচিংবগী কমপ্লেন্টশিং লৈদুনা ইনক্বারি চথরিবা ওইরগদি মদুদা মরাল লৈরম্বা থেংনরবদি সী ঈ ও/ঈ সী আইনা মখোয়বু ট্রান্সফর তৌবা খক্তা নত্তনা মখোয়গী মথক্তা চপ চাবা দিপার্টমেন্টেল এক্সন লৌখৎনবা ওর্দর পীগদবনি হায়রি।

ঈ সী আইগী মায়কৈদগী ওফিসরশিংগী ট্রান্সফর অমসুং পোষ্টিংগী মতাংদা পীরক্লিবা ইন্সট্রক্সন অসিদা সেক্টর ওফিসর/জেনেল মেজিষ্ট্রেটনচিংবা ইলেক্সন দ্যুটিগা মরী লৈনবশিংদি কোনশিল্লোই। অদুবু ওবজার্ভরশিং, সী ঈ ও, দি ঈ ও অমসুং আর ওশিংনা হায়রিবা ওফিসরশিং অসিনা মখোয়গী মথৌ পাঙথোকপদা চুম্না পাঙথোকপ্রা অমসুং মীচং শঙ্গ নাইদনা চথব্রা হায়বদু চেকশিন্না য়েংশিনগদবনি হায়নসু খঙহল্লকখি।

সী এমনা অবোনমাই মেমোরিএল পার্ককী উরেপ ...

*লামায় ১গী মখা...*অসিগুম্বা থবকসিদা কমপ্রোমাইজ তৌরোই। অবোনমাই হাৎখিবগী থৌদোক অসিনা মণিপুরগী মীয়াম পুম্নমক্তা খম থেংনা অৱা চৈথেং পীখিবনি। মহাক মণিপুর অমসুং ইন্দিয়াগী য়ুনিটি অমসুং ইন্টিগ্রিটিদা থাজবা লুচিংবা অমনি। মহাকপু হাৎখিবা মীওইশিং অদু ওইনীংবা গ্রুপ অমগী ওইরবসু মখোয়না চথখিবা তমথীরবা থৌওং অসিনা কৈদৌনুংদা শেন্বীবা মপুনা মখোয়গী পঙ্ক্তু ফংহল্লোই হায়খি।

অবোনমাই লৈখিদবা থৌদোক অসিদা মীয়ামগী মরক্তা অমত্তা ওইবগী ৱাখল মখা তানা চেৎশিনহল্লগনি হায়রদুনা মহাক্না হন্দক দেল্লীদা চৎলুবা মতমদসু খুদক্তা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা উনদুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা খঙহনখি অমসুং হোম মিনিষ্টরদা অবোনমাইনা হিংলিঙৈদা শাল অমা খুদোল তমখিবগী ফোটো অদুসু য়েংহনখি হায়রি। খুদক্তা হোম মিনিষ্টরনা মহাক্কী সেক্রেটরিদা থৌদোক অসিগী কেস এন আইদা খূৎশিন্ননবা থবকশিং লোইশিন্নবা পাউতাক পীখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতাংদা লৌখৎলক্লিবা থবকশিং অসি খ্বাইদগী থুনা লৌখৎপা থবকশিংগী মনুংদা অমনি হায়রদুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমসুং অবোনমাইগী ইমুংগী তুংদা লেপ্পি হায়খি।

থৌদোক অসিদা চেন্নবশিং লেম্না থারক্লোই হায়বগী থাজবসু ফোঙদোক্লদুনা হৌজিক্তি কেস অসি ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী অসিদা খূৎশিন্নখ্রবনা ষ্টেট পুলিসকী মায়কৈদগী এন আই এদা মথৌ তাবা মরু ওইবা ইনফোর্মেসনশিং পীননবা হোৎনরগনি হায়খি।

অমরোমদা, ঙসি অয়ুক চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটেরিএটতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টর মশামক্না 'চীফ মিনিষ্টরস হেল্থ ফোর ওল স্কিম' হৌদোকখ্রে। স্কিম অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৭১শুবা মপোক নুমিৎ পাঙথোকখিবা মমাঙ থাগী ১৭তা মাঙজৌননা লাউথোকখ্রবনি।

স্কিম অসিগী মখাদা য়ুমথোঙ খুদিংদা হেল্থ স্ক্রিনিং তৌবগী থবক ষ্টেট শিনবা থুংনা চথবগা লোয়ননা জন ঔসাধিগী হীদাক লাংথকশিং স্কিম অসিগী মখাদা প্রাইমারি হেল্থ ক্যেরশিংদগী পেসেন্টশিংদা লেম্না পীগনি। স্কিম অসিগী খুদোংচাবা ফংবা য়াবা লৈরবদি অরুবা লায়নাশিং মায়োক্নরিবা পেসেন্টশিংদা সী এম ঐচ টি অমসুং অয়ুসমান ভারতকী হেল্থ কার্দশিংসু পীগনি। লোয়ননা ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা আশা ৱার্করশিংদা আশা প্লস দিভাইস, স্মার্ট ফোনশিং য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা সী ঐচ ও/নর্স অমসুং আশা ৱার্করশিংদনা টেব্লেটশিং য়েন্থোকখি।

শিজ হোস্পিটালদা ৱর্ল্ড

লামায় ১গী মখা... পাঙথোকপগা লোয়ননা লেম্না মীৎ চেক-অপ তৌবগী কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ফ্রী আই চেক-অপ কেম্প অসিদা মীৎকা মরী লৈনবা প্রোব্লেমশিং লৈবা পেসেন্ট ৭৭ এগজামিন তৌখি। কেটরেক ১৭ অমসুং টেরিজিয়ম ১ দাইগ্নোস তৌখি। লোয়ননা শিজ আই ক্যের ফাউন্দেসনগী ডাক্টর অমসুং মখোয়গী ষ্টাফশিংনা পেসেন্টশিংবু লায়েংখি।

ঙসিগী কেম্প অসিদা মীৎকা মরী লৈনবা প্রোব্লেমশিং লৈরে হায়না খঙদোক্লবা পেসেন্টশিং অদু এন পি সী বি (এন ঐচ এম/সী এম ঐচ টি/পি এম জে এ ৱাই) স্কিমগী মখাদা লায়েংলগনি হায়রি।

টেলিফোনদা...

*লামায় ১গী মখা...*অহানবা পার্টি ওইরিবা রোজিৎ এলিয়জ বুলেটকী মায়কৈদগী এপোলোজি তৌরকপগা লোয়ননা মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদু অরানবনি, কনামত্তগা মরী লৈনদে হায়বদগী ঙসি পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনদা নাকল অনীমক্না য়ান্ন-চেরোল অমা খূৎয়েক পীনদুনা তেনশিন্নখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি মখোয় অনীনা টেলিফোনদা শানখিবা ৱাফমশিং অদু সোসল মীদিয়াগী তোঙান তোঙানবা প্লেটফোর্মশিংদা ঙরাংদগী হৌরদুনা ভাইরেল ওইরকখিবনি।

পোজিটিভিটি রেট ...

লামায় ১গী মখা... হায়রি।

অমরোমদনা, ঙসিগী ওইনা মীওই ৮৪ দিসচার্জ তৌখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা ফগৎলকখ্রবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১,১৯,০৯৯ শুরে। এক্টিভ কেসকী মশীং ১,৪৪৪ লৈজরগসু রিকোভরি রেট চাদা ৯৭.২৮ য়ৌরে হায়রি।

অদুগা ঙরাং খক্তদা মীওই ৫৩৭৪ হীদাক কাপথোকখিবা থারগা পূন্না কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীং ১৮,০০,৪৭০ শুরে। মসিগী মনুংদা অহানবা দোজ কাপথোকখিবনা ১২,৩৩,৭২২ ওইবগা লোয়ননা সেকেন্দ দোজ কাপথোক্লবশিংনা ৫,৬৬,৭৫০নি হায়রি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	87.341550
US Dollar	75.266606
British Pound	103.220668
Australian Dollar	55.790504
Chinese Yuan Renminbi	11.693375
Japanese Yen	0.663617
Malaysian Ringgit	18.117913
Singapore Dollar	55.828963
South Korean Won	0.063485
Saudi Arabian Riyal	20.071095
Thai Baht	2.265910

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	47031.00
Mumbai	–	Rs	47540.00
Delhi	–	Rs	47502.00
Kolkata	–	Rs	47785.00

এক্স এম এল এ সরত কাপ্তুনা ...

লামায় ১গী মখা... মরম অসিনা মহাক মশাবু ঙাক শেঞ্জনবগীদমক সিক্যুরিটিগী তঙাইফদবা লৈরে হায়নসু ফোঙদোকখি। লোয়ননা মহাকপু হাৎননবা হোৎনরম্বা মীওইশিং অদুগী মথক্তা অথুবা মতমদা লৌখৎফম থোকপা অকনবা থবকশিং লৌখৎপীনবসু হায়জখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ঙসি কোন্থৌজমদা লৈবা মশাগী য়ুমদা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না থৌদোক অদুগী মরমদা মরীক চুম্না পাউদমখিবগা লোয়ননা পাউমীশিংগী খূথাংদা মহাক্কী মায়কৈদগী করি লানখিবা য়াওখ্রবগে, লানখিবা লৈরবসু ফোংনা থোরক্তুনা ৱারী শাননবা থোঙ লাউনা হাংলি, ভোটকা মরী লৈননা ৱারী শাবা চৎপা অমদি ভোট খোম্বগী থবক্তা কিহন-খংহনবা অমসুং পুন্সি মাঙননবা হোৎনবীগনু। মসিগী মহুত্তা ফোংনা থোকপীরক্তুনা ৱারী শানসি হায়খি।

চহী ১০গা থা ৫গী ফাদোক পীখ্রে...

লামায় ১গী মখা... হৈরাঙ্গৈইথোং কৈথেলদগী লাইশ্রম বোচা (৫৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল কুঞ্জবী চহী ১০গা থা ৫গী ফাদোক পীখ্রে।

কেস অসিগী ৱায়েলদা মহাকপু ফাষ্ট ট্রেক স্পেসল কোর্ট (নম্বর ১), মণিপুরগী স্পেসল জজ এস ইমোচানা থা অসিগী ৮দা মরাল লৈরে হায়দুনা লাউথোকখিবনি অদুগা মহাক্কী ফাদোক্কী মতম লেপথোক্লবা সেন্টেন্স হিয়ারিংনা থা অসিগী ১১দা পাঙথোকখিবনি। লোয়ননা নুমিৎ অদুদা রিজার্ভ তৌদুনা থমখিবা সেন্টেন্স হিয়ারিংগী ওর্দরনা ঙসি লাউথোক্লদুনা মহাকপু মরালগী মতুংইন্না চহী ১০গা থা ৫গী ফাদোক পীখিবনি।

অদুম ওইনমক রিক্সো থৌবনা শিনফম ওইরম্বা মহাক্কী ফীভম অদু য়েংলগা কোর্টনা ফাদোক অসিগী মথক্তা লুপা লিশীং ১গী শেনফমসু ফাইন ওইনা থিননবা খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, থৌদোক অসিগী মতাংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ৱিমেন পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎখিবা কেসকা মরী লৈননা মহাক জেলদা ঙরাং ফাওবদা চহী ৫গা থা ৫ লৈরকখ্রবনি। লেমহৌরিবা চহী ৫গী ফাদোক্কী মতমনা ঙসিদগী পারগা লৈখিগদবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎখিবা কেস অদুগী এফ আই আর নম্বরনা ২৬ (৫) ২০১৬ অন্দর সেক্সন ৬-প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্স্যুএল ওফেন্স (পোক্সো), এক্টনি।

ঙসি ক্লাক তানবগী ...

লামায় ১গী মখা... পাঙথোকখ্রে। হয়েং পাঙথোক্নদৌরিবা ক্লাক তানবগী মশীলদসু লাঞ্জিং পুরেল অসিনা ক্লাক তানগনি। থৌরম অসিদা ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা অমদি অঙোম নিংথৌ, ফম্নাইবশিং, অমাইবা অমাইবী, পেনা, সনা পালা, শৈশকপা-শৈশকপী য়াওনা শরুক য়াগনি। ক্লাক তানবগী ক্লাকপাউ ইনিংথৌদা তমদুনা লৈবাক্কী অফ-ফত্তখুদম চাংদম য়েংগনি লোয়ননা নাৎকী ওইবা থাঙ-তাগী থৌরমসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

হিয়াংথাং...

লামায় ১গী মখা... থৌরম অসি লাইরেম্বী ইমাবু নুমিৎ ৯নি চঙনা ঈরাৎচরকপদা লংজখিবা শোয়খিবা লানখিবা কয়াদু কোকপীনবা হায়দুনা মীওই শুদ্রিবী নুপীমচা অমবু পীজ-পীথক তৌদুনা পেলহনবা অমসুং তুংদা নুংঙাই-য়াইফবা পীবিরম্নবা থৌনিগী থৌরমনি হায়রদুনা ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিগী নুংগী ওইবা পাঙথোক্তবা য়াদবা মরু ওইবশিংগী মতাংদা ফুরাৎলাৎপম অরুননা মরীক চুম্বা ৱাফমশিং পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।

চীফ সেক্রেটরি অমসুং দি জি পিনা...

*লামায় ১গী মখা...*অহুমগী মনুংদগী ২না রিপোর্ট পীরক্তবদগী প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট, ১৯৯৩গী সেক্সন ১৭ (১) (এ) গী মতুংইন্না কম্মিসননা ইনক্বারি চথরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লোয়ননা চীফ সেক্রেটরি অমসুং দি জি পিদা অরোইবা ওইনা মখোয়গী রিপোর্টশিং থা অসিগী ২১ ফাওবগী মনুংদা শোয়দনা পীখৎলক্লবা খঙহনখিবগা লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা তমেংলোং পি এসনা লৌখৎখিবা কেস এফ আই আর নম্বর ৪ (৯) ২০২১ অদুগা মরী লৈননা চথরকপা ইনভেষ্টিগেসনগী ষ্টেটস রিপোর্ট, কেস অদুগী এফ আই আর কোপি, পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসনগী রিপোর্ট অমসুং অতৈ মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিংসু পীখৎলক্লবা খঙহনখ্রে। লোয়ননা কেস অসিগী মখা তাবা প্রোসিদিং থা অসিগী ১৮দা অমুক চথগনি হায়রি।

সনামহী লাইনীংবু মাইনোরিটি রিলিজনগী...

লামায় ১গী মখা... মতুংইন্না লৈবাক অসিদা লৈরিবা ফুরুপশিংগী মনুংদা মুসলিম, খৃষ্টান, শিখ, বুদ্ধিষ্ট, পারসিস অমসুং জ্যেন ফুরুপকী মীওইশিং অসি মথংশিংনা ক্রোর ১৭, ২.৮, ২, লাখ ৮০ অমসুং লাখ ৪০নচিংবনি হায়রি।

অদুবু সনামহী লাইনীং চৎপা মীওইশিংগী মশীংদি শুপ্নতগী লাখ ২.২২ খক্তমক ওইরি। মরম অদুনা ওক্টোবর ১৯৯৩দগী হৌজিক ফাওবদা সনামহী লাইনীংবু লৈবাক অসিগী মাইনোরিটি ষ্টেটসতা থম্মীদনা লাক্লি হায়খি।

মণিপুরগী ওইনা লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা পোপ্যুলেসন সেন্সস, ২০১১গী মতুংইন্না হিন্দুনা চাদা ৪১.৩৯, খৃষ্টান ৪১.২৯, মুসলিম ৮.৪০ ওইরগা সনামহীদি শুপ্নখক্তগী অতোপ্পা খরা ফাওবা য়াওশিল্লগা চাদা ৮.১৯ খক্তমক ওইরি হায়খি।

লোয়ননা লাইনীংথৌ সনামহী টেম্পল এক্ট, ১৯৭৬ (মণিপুর এক্ট নম্বর ২ ওফ ১৯৭৭) অসি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পাস তৌদুনা ফেব্রুৱারী ২৪, ১৯৭৭তা মণিপুরগী গেজেট (এক্সট্রা ওর্দিনরি) নম্বর ২১৩দা ফোঙখ্রবনি। মখা তানা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা কুমজা ১৯৮১দা চথখিবা মীকোক থিবগী সেন্সস রিপোর্টতা সনামহী লাইনীং অসিসু লাইনীং মখল অমা ওইনা য়াওখ্রবনি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা মীতৈশিংনা সনামহী লাইনীংবু নীংশিংবা থোক্তুবা মতমদগী থাজনদুনা অমসুং মসিবু চৎনদুনা লাক্লি। মীতৈগী য়ুমথোঙ খুদিংদা মখোয়গী ইমুংগী খা-নোংচুপ থংবা কাচিনদা সনামহীগী খুভম য়াদুনা নুমিৎ খুদিংগী ঈরাৎ থৌনি পাঙথোক্লি। সনামহী লাইনীং অসি ৱেষ্ট সাউথ ইষ্ট এসিয়া রিজনদা খ্বাইদগী লিরবা লাইনীং লম্বেলনি। অরিবা লাইরিকশিংনা হায়বগী মতুংইন্নসু সনামহী লাইনীং অসি নিংথৌ কাংবনা পানবা মতমদগী চৎনরক্লিবনি হায়রি।

অদুগা চৈথারোল কুম্বাবগী মতুংইন্নসু নিংথৌ পাইখোম্বা (১৬৮৭ এ দি) গী মতমদসু সনামহীবু 'তাইবঙ খাইবা' হায়দুনা মীঙৌনরগা ঈরাৎ থৌনি পাঙথোরকখি। অদুগা চরাইরোংবা নিংথৌ (১৭০০ এ দি) দনা সনামহীবু 'লাইৱা হায়বা' হায়নসু শকখঙনরকখি। সনামহী লাইনীং অসি মালেমগী থাক্তা চৎনবা য়ারবা লাইনীং লম্বেল অমা ওইবগী মচাক শুনা য়াওরবা লাইনীং অমনি। মরম অদুনা লাইনীং অসিসু লৈবাক অসিগী মাইনোরিটি রিলিজনগী লিষ্টতা য়াওহনফম থোকই।

সনামহী লাইনীং অসি তশেংনমক হিন্দু লাইনীংদগী তোঙান্না তাবা লাইনীংনি। হায়রিবা লাইনীং অসিবু চৎলিবা মীওইশিং অসি সোসল ইকোনোমি অমসুং এদ্যুকেসনদা শোখহৌবা কাঙবুশিংনি হায়দুনা থাজনরি। মরম অদুনা ৱাফমশিং অসি কৃপ্না য়েংশিনবীবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরনা সনামহী লাইনীংবু লৈবাক অসিগী মাইনোরিটি রিলিজনগী লিষ্টতা য়াওহনবীনবা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ মাইনোরিটি এফেয়রসতা পীখৎফম থোকপা রেক্কমেন্দেনস পীখৎপীয়ু হায়নসু তকশিনখি।

ঙমখৈগী সতাং খুলগী লম্বীদি শক্তিমান ফাওবনা চৎপা ঙমদবদগী জে সী বিদা...

লামায় ১গী মখা... বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮২দা লৈরিবা নোংকাম সতাং খুল অদু ক্বাথা লমখাইদগী চৎখিবা লম্বীদা কিলোমিটর ৫ রোম শাংবা শরুক অমা শক্তিমান ফাওবনা চঙশিনবা য়াদদুনা জে সী বিদা তোংদুনা য়াম্না ৱানা চঙশিনখি।

নোংকম সতাং ভিলেজ ওথোরিটিগী চ্যেরমেন টি কে কোথিলনা খুলগী অৱাৎ অপা কয়া পাউদম্লদুনা ফোঙদোরকপদা খুল অসি হৌজিক য়ুম্নাক ৫০ রোম লৈদুনা মীশিং ২০০ হেন্না লৈরি। খুল অসি ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা খঙবীদ্রবরা হায়বসি পূক্নিংদা ৱারৌবা ফাওরক্লে। খুল অসিদা ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎলক্কনি হায়বগী থাজবা অমগা লোয়ননা ঙাইদুনা শাংলবা চহী কয়া অসি লাকখিবনি অদুবু লৈঙাক অসিনদি থবক অমত্তা পায়খৎপীদনা লৈরি। খুল অসিদা ওল্ড এজ পেন্সন ফংবা য়ারবা, প্রাইম মিনিষ্টরগী অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ কার্দ ফংবা য়ারবা অহল কয়া, ইমুং কয়া লৈ। পীবিনবসু হায়জখিবা কয়া লৈখ্রে অদুবু ঙসি ফাওবা অহল ২/৩ খক পেন্সন ফংবা নত্তনা মরী লৈনবা তেংনৌপল দি সী অমদি এস দি ওনা থবক অমত্তা লৌখৎপীদনা লৈরি।

মীয়াম্না হিংবদা য়াম্নমক মথৌ তারিবা লম্বী থোংদা হায়রবসু ঙসি ফাওবদা নিংথিনা শেম্বীদবনা লম্বী চৎপা য়াদবদগী অনা অয়েক কয়া য়াওরকপদসু পুথোক পুশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নদুনা লাক্লি। খুল অসিদা মোবাইল নেটৱর্ক নিংথিনা ফংদবনা ইচা-ইশুশিং খুলগী মপান অমসুং মণিপুরগী মপান্দা লাইরিক লাইশু তমখিবশিংগা অথু অকায়গী পাউ ফাওননবা হোৎনবদা অৱাবা অমসু মায়োক্নরি। খুল অসিদা ঙসি ফাওবা কম্যুনিতি হোল অমত্তা শাবীবা লৈত্রি, গেষ্ট হাওস অমত্তা শাবীদবনা খুলগী থবক থৌরম তৌবদা, অতোপ্পা খুনলানবা নৎত্রগা অচৌ অশাং অমা লাকপদা লৈননবা গেষ্ট হাওস অমত্তা ঙসি ফাওবা শাবীদনা লৈরি। জল জিবন মিসন (জে জে এম) গী মখাদা খুল অসিগী য়ুমথোঙ খুদিংদা থক্লবা ঈশিং পীগনি হায়দুনা য়াম্না অপিকপা টেঙ্কি মচা অনীখক শাবীরম্মী অদুবু ঙসি ফাওবা লোইশিনবীদনা থম্বীরম্মী। হায়রিবা জে জে এমগী মখাদা খুল অসিদা থক্লবা অফবা ঈশিং পীনবগীদমক লুপা লাখ ৩৫ হেন্না থাদরকখি হায়না তাই, পাইপ লাইনসু অমত্তা হাপ্পীরমদনা শারম্লিবা টেঙ্কি মচা অনী অসিনা লোইশিনবগী মওংদা থম্বীরম্লিবা অসিদা খুঞ্জাশিংনা পেন্নীংঙাই ওইদে। লৈঙাক অসিনা শেমগৎ শাগৎনবগী খরা খজিক থাদরক্লবসু মওং মরীন তাদবা মওংদা, মমিংতগী ওইনা খরা তৌশিন্নরম্লগা তোকখিবনা খুঞ্জাশিংদা ফংফম থোক্লবা কান্নবা অদু মপূং ফানা ফংহনবা ঙমদবা অসিনা তাকপদি বোর্দর এরিয়া মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক অসিনা লমখৈ ঙাক্লিবা খুলশিং অসি মণিপুর, ইন্দিয়া নত্তবদৌনা লৌবীরব্রা হায়নসু লৈঙাক্তা ৱারৌবা ৱাফম থম্লকখি।

টি কে কোথিলনা মখা তারদুনা হায়, বোর্দর এরিয়াদা লৈরিবা মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী লমখৈ ঙাক্লিবা খুলশিং অসিদসু লৈঙাক্লা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীদুনা শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং পায়খৎপীয়ু অমদি শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং অদু মপূং ফানা অমদি কয়াম য়াম্না নিংথিনা পায়খৎপগে হায়বদুসু লৈঙাক্লা য়াম্না কৃপ্না য়েংশিনবীয়ু হায়না লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লকখি।

য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা ফোঙদোরকপদা মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী লৈঙাক অসিনা চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা প্রোজেক্ট কয়া থাদৈ, লায়রবশিংগী ফংফম থোকপা চাকথুং হায়জরবসু অহোবা সনাপুলগুম্না লৈরি। চীংগী ইচিন ইনাওশিংনসু তমদনা ফন্দ ময়াম থাদরগা চীংদনা ফন্দ অমত্তা থাদবীদ্রে, য়ৌহনবীদ্রে, থাদরকপা শেনফমশিং তম্পাক্কী মীওই খরনা লোইনা চাথোক্তুনা লৈরে হায়নরিবা ৱাফমশিং অসি তাবদা ৱাখলদা নুংঙাইতবা ফাওই। শোমদনা চীংগী মফমশিংদা লৈঙাক্লা ফন্দ কয়া থাদৈ হায়জরবসু ফংফম থোক্লিবা মীওইশিংদা অমত্তা য়ৌহনদ্রবনিনা ৱারৌবা ফাওনরে। অসিগুম্বা কয়া অদু থোক্তনবা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনসু হ্বাইট পেপর অমা পুথোকপীদুনা চীংদনা অসুক, তমদনা অসুক থাদৈ হায়বা অসি মণিপুরগী মীয়ামদা খঙহনবীয়ু। অদুগা চীংগী লমদা থাদখ্রিবা ফন্দশিং অসি য়ৌরিব্রা নৎত্রগা য়ৌদ্রিব্রা হায়বা অসিসু লৈঙাক্লা থিদোকপীদুনা কমদৌনা অহোবা সনাপুলগুম্না লৈরিবনো হায়বদু থিদোকপীদুনা অহোবা অদু মেনশিনবীরগা চাকথুং ফংফম থোক্লিবা চীংগী মীয়ামদা চাওখৎ থৌরাংগী ফন্দশিং মপূং ফানা য়ৌহন্নবা লৈঙাক্লা শিনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীয়ামগী চাকথুং মৎলবদি এম এল এদগী রিজাইন তৌজগে...

*লামায় ১গী মখা...*তৌরক্তি হায়বা য়াই। মরুওইনা ষ্টেট অসিগী ইকোনোমিগী ফীভম য়াম্না ফৎত্রে। করপসন হেনগৎলে, থবক ফংদবগী প্রোব্লেমসু হন্থবা লৈত্রি মরমশিং অসিনা মণিপুরগী নহাশিং থবক তৌফম খঙদনা ককঙাওনদুনা লৈরি। প্রোব্লেমশিং কোক্ননবসু হোৎনবিদ্রি। লোয়ননা এম এল এ খরা দিসক্বালিফিকেসন তৌখিবা অসিদা হায়জনিংবদি লোবু ইকায়খুম্নদবদগী থোকখিবা থৌদোকনি। মরালগী মতুংইন্না ফংফম থোকপা চৈরাক ফংবনি হায়জনিংই।

ৱাহং : লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা করম্বা পার্টিদা মীরেপ ওইগদৌরিবগে? করি করম্বা ইস্যুদা য়ুম্ফম ওইরগা ইলেক্সন থেংনগে খনবিরি?

পাউ: হৌজিকমক্কীদি চপচাবা পার্টি অমদা মীরেপ ওইগনি হায়বদি লৈত্রি। অদুবু ৱাবগাই এ সীগী মীয়াম্না য়াবা অমদি এ সী অসিগী মীয়ামগা তান্নরগা চপচাবা পার্টি অমদা ভোট লেপ্পবা কন্না হোৎনজরি। অদুবু ঐহাক্কী ওইনা সেক্যুলরদা বেজ তৌবা পার্টি ওইনা পামজৈ। দিভেলপমেন্ট অমদি নহাশিংদা থবক পীদুনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনবগী ৱাফমদা য়ূম্ফম ওইরগা ইলেক্সন থেংনগনি।

ৱাহং : কুমজা ২০২২গী জেনরেল ইলেক্সনদা করিগুম্বা ভোট কারবদি ইহান-হান্না এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌগনি?

পাউ: করিগুম্বা মীয়াম্না নুংশিবিদুনা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা ভোট কাহল্লবদি অহানবদা হৌজিক-হৌজিক এ সী অসিদা থক্লনবা অফবা ঈশিং ফংদ্রিবা অসি ফংহন্নবা হোৎনগনি। অনীশুবদা লমদম অসিদা অরুবা লায়না অমা ওইনা লৈরিবা করপসন অসি পাম্বৈ অমা নৎত্রগা অমা পুথোক্তুনা হন্থহন্নবা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎকনি। লোয়ননা এ সী অসিদা লৈরিবা লম্বী-থোংগী ফীভম ফৎতনা লৈরিবা অসি শেমগৎ-শাগৎনবা থবক তৌগনি। ইথৈ-লৌখোং মতিক চানা শেমদুনা লৌমীশিংনা অমদি ঙাগী ফার্ম তৌরিবা মীওইশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং কোকহনগনি। লমদম অসিগী নহাশিংগা শাগোন্নদুনা লৈরিবা টেলেন্টশিং অমদি স্কিলশিং মপুং ফানা মপান থোক্না পুথোকপা ঙমজনবা অমদি লৈঙাক্কী খক্কী থবক পীবা নৎতনা শেন্থোক লম্বী লৈনবা হোৎনদুনা নুংঙাই-য়াইফবা পুন্সি মহীং অমা পুরকপা ঙম্নবা পোলিসি প্রোগ্রাম কয়াসু পায়খৎকনি। লোয়ননা মীয়ামগী চাকথুং অমত্তা মাঙহন্দনা মীয়াম সেক্সন খুদিংমক্তা চপ মান্ননা ফংহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা থবক হাপ্পদা শেল লৌদবা অমদি ভোট কারবা মতুংদা বাবুপড়াগী ক্বার্টরদা লৈরোই। য়ুমদা লৈদুনা মীয়ামগী মরক্তা লৈমিন্নদুনা মীয়ামগী অৱাৎ অপা য়েংশিন্দুনা থবক তৌমিন্নদুনা লৈগনি।

ৱাহং : নিংতম্বা ফংলবা মতুং শাংলবা চহী ৭৫ শুরক্লবা ফাওবদা অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা ঐখোয়গী ষ্টেট অসিনা য়াম্না শোৎথনা লৈরিবগী অচৌবা মরম করিনা ওইরম্বা য়াই?

পাউ : মসিগী মরম কয়া অমদি লৈখ্রে। অদুবু ঐগী ৱাখল্লোলগী মতুংইন্না পোলিটিকেল সিষ্টম শোয়রকপা, করপটৈদ ওইরকপা অমদি লৈবাক্কী লুচিংবনি হায়না লৈরিবা পোলিটিসিয়নশিংনা মীয়ামগী থবক তৌবগী মহুৎতা ঠিকা তৌদুনা শেল তানবগী লম্বীদা ওইনা চঙশিনখিবা অমদি মতিক চাদবা লুচিংবনা অয়াম্বা ওইবনসুনি। লোয়ননা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা অমদি ইকোনোমি ফগাৎনবা পোলিসি প্রোগ্রাম মতিক চানা শেম্বিদনা দেল্লিগী য়াকা য়েংদুনা লৈবা মরমশিং অসিসু অচৌবা মরম অমনি। ঙসিসু ষ্টেট অসিদা লৈজরিবা নেচরেল রিসোর্স ময়াম অসি শেমগৎ-শাগৎতুনা মশানা মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা হোৎনবিদ্রি।

ৱাহং : অদোমগী এদ্যুকেসনদি কদাই ফাওবা লোইশিনবিখ্রবগে? ইমা-পাবুংগী মীংনা করি কৌবগে?

পাউ : মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা এম এ সোসিওলোজি লোইশিল্লবা মতুংদা য়ুনিভর্সিটি অসিমক্তদা হৌজিক হৌজিক মাষ্টর ইন ফোরেন ট্রেদতা অনীশুবা সেমিষ্টরদা তম্লি। পাবুংগী মীংনা লৈখিদ্রবা এম ভি হয়াদ অলি কৌই অদুগা অপোকপীগী মীংনা বসিজান বেগম কৌই।

ৱাহং : পোলিটিসিয়নশিংনা ভোট কারবা মতুংদা থবক কয়া তৌগনি হায়নৈ অমদি পার্টিশিংগী মেনিফেষ্টোদা ইনৈ-ফোঙনৈ, অদুবু মপুং ফানা চাদা ৭০/৮০দি পাঙথোক্তে হায়নরি। সোমদি এ সী অসিগী তৌগে খল্লিবা থবকশিং অসি মপুং ফানা তৌবা ঙমগনি খনবিব্রা?

পাউ : ঐগী ওইনদি য়াম্নসু নহা ওইরিবা মরমনা এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক ঐনা তৌগে হায়জরিবা থবকশিং শোয়দনা পাঙথোকপা ঙমগনি হায়বগী চপচাবা থাজবা লৈ। মীয়ামগীদমক লৈঙাক্লা পীরিবা চাকথুংশিং চপচানা ফংহন্নবসু হোৎনগনি। হৌখিবা পোলিটিসিয়ানশিংনা মীয়ামগী থবক তৌবা ঙমদ্রিবা অসি মশাগীদমক্তা খন্দুনা লন-থুম লেপশিন্নখিবনা ঙমদবনি। অদুবু ঐগী ওইনদি মীয়ামগী ফংফম থোকপা চাকথুংশিং অদু লোয়না ফংহনগনি। দিভেলপমেন্টকীদমক থাদরক্লিবা শেনফমশিং ঐগী ওইনা শীজিন্নরোই মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক শীজিন্নগনি।

ৱাহং : এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী অপুনবা ভোটর মশিং অমদি পোল্লিং ষ্টেসন কয়ানো? নন মণিপুরী ভোটরদি লৈব্রা?

পাউ: এ সী অসিগী অপুনবা ভোটর লিশিং ৩১ হেন্না লৈ, পোল্লিং ষ্টেসননা ৩৬ নি। নন মণিপুরী ভোটরদি লৈতে।

ৱাহং : পোলিটিক্স তৌবা পোলিটিসিয়ানশিং মীয়াম্না ফন্না ইঙাঙ ঙাঙনদে। মীয়াম্না ফন্না ঙাঙনদ্রিবা লম্বী অসিদা চঙশিনগে খল্লিবসি করি মরম লৈবননো?

পাউ : পোলিটিকেলগী সিষ্টম অসি হেক চুম্না চৎপা ঙমদ্রিবমখৈ লমদম অসিগী অচৌবা-মচা মীওই খুদিং চাওখৎপা অমদি নুংঙাই-য়াইফনা হীংবা ঙম্লোই। মরম অদুনা পোলিটিকেল লম্বী অসিদা চঙশিন্দুনা এগজামপল সেট তৌবা য়াবা অখন্নবা লৈবাক মীয়ামগী থবক তৌগে হায়না পোলিটিক্সতা চঙলকপনি। পাকচাওনা মীয়ামগী থবক তৌবা ঙম্নবগীদমক লৈঙাক্তা য়াওশিন্দুনা মীহুৎ অমা ওইনা থবক তৌরকপা মথৌ তারকপনা পোলিটিক্সকী লম্বী অসিদা খোঙদারকখিবনি।

ৱাহং : করপসন চাওনা লৈরে পুম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু করপসনগী মায়োক্তা লেপ্পদি কনা অমত্তনা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। করপসন মপুং ফানা মুথৎপা ঙমদ্রবা মকসু খরা খজিক্তং ওইরবসু করি তৌরগদি হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : লমদম অসিদগী করপসন হন্থহনসি হায়রগদি ঐগী ৱাখল্লোলগী মতুংইন্না খ্বাইদগী অহানবদা লমদম অসিগী লুচিংবশিং অমদি ব্যুরোক্রেটশিংদগী হান্না হৌদুনা ৱাখল তামিন্নবা অমা চঙই। মখোয়না করপসন হন্থহন্নবা অমদি লৈতনবা হোৎনরক্লবদি মখোয়গী মখাদা লৈবা মীওইশিংদি অদুমক মখোয়না হায়বা শোয়দনা ইনগনি। এসেমব্লিদা ফম্বিরিবা এম এল এশিংনা করপসন তৌদনবা থবক হেক তৌরকপা হৌরকপদা ফন্না য়াম্না করপসন হন্থগনি। লোয়ননা ঐগী ওইনদি অহানবদা ইশাগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা করপসনগী থবক তৌদনবা হোৎনগনি। মদুনা হৌরক্লিবা মীরোলশিংনসু অমদি মীয়াম্নসু ঐগী তুং ইল্লক্কনি হায়না খল্লি।

ৱাহং : লৈবাক অসিদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মায়োক্তা নুপীগী লুপশিং, সী এস ওশিং, মহৈরোয় লুপশিং অমদি লৈঙাক্লা থবক তৌদুনা লাক্লি। অদুবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা-য়োনবা হন্থরকপগী মহুৎতা হেন্নদুম য়াম্না লায়না থোঙ্গাল-থোঙ্গালদা ফংনরকপগুম তৌরে। মসিগী মরম করিনা ওইরম্বা য়াবগে?

পাউ : ষ্টেট অসিগী এ সী খুদিংমক্তা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা অমদি ললোনবগী থবক নোংম-নোংমগী অসুম হেনগৎলক্লি। মসিদা য়াম্না লাইবক থীরিবদি অথিংবা লৈরবসু ময়াই কাবা চিঞ্জাক ললোনবশিংবু ফাবদা শক মায় য়েংনদুনা থাদোকপা অমদি শেল খরা পীরগা য়ানবা পুরকখিবা মরমশিং অসি লৈবনা ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং য়াম্না লায়না ফংলকপনি। তশেংনা হায়রবদা পোলিটিসিয়ানশিং ফত্তে হায়রবদি শাওরক্কনি, মরম অদুনা পোলিটিসিয়ানশিং পুকচেল শেংনা থবক তৌহন্নিংই হায়জগে। ময়াই কাবা চিঞ্জাক ললোনলিবা মীওইশিং ফাবা পুনবদা পোলিটিসিয়ানশিংনা খুৎ থিংজিনহন্নিংদে। মদুবু য়েংশিল্লিবা দিপার্টমেন্টশিংদা মপুং ফানা পৱার পীদুনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক থীংনবা থবক তৌহন্নিংই।

ৱাহং : থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগীদমক করি-করম্বা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎলবদি অনইমপ্লোয়মেন্টগী প্রোব্লেম হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : লমদম অসিগী হৌরক্লিবা নহাশিংদা বিজিনেসকী ইথিক্স ময়েক শেংনা খঙহন্নিংই। ইরমদম অসিদা বিজিনেস তৌরগা হীংগে হায়না খনবা মীওইগী মশিং খরা ৱাৎলি। গভর্ণমেন্টকী থবক ফংনবা শেল পীনবগী লমজেল তান্নবগী মহুৎতা বিজিনেস তৌদুনা হিংগে হায়বগী ৱাখল্লোলদা লমজেন তান্নদুনা চৎলবদি হেন্না চাওখৎপা লমদম অমদি থবক ফংদবগী লৈরিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরোই হায়না খল্লি। ঙসিসু মীওই অয়াম্বনা গভর্ণমেন্টকী জোবতনা হেন্না অহেনবা মীৎয়েং অদুমক চঙনরি। লৈঙাক্লা স্কিল দিভেলপমেন্টকা মরি লৈনবা থবক-থৌরম কয়া পায়খৎপা মথৌ তারি। নহাশিংনা মশাগী করিগুম্বা থবক অমা তৌনবা হোৎনরকপদা ফাইনান্সিএলগী মতেং পাংহন্নিংই। ঙসিসু ষ্টেট অসিদা অরাইবা মওংদা লোন ফংবা ঙমদ্রি। শুপ্নগী খঙন-চান্নবা মীওইশিংদনা হেন্না লোন ফংনরি। ঐ ইশামক ঙসি বিজিনেস তৌজরিবা অসি গভর্ণমেন্টতগী ফাইনান্সিএলগী মতেং অমদি বেঙ্ককী লোন অমত্তা ফংদ্রি। গভর্ণমেন্টকী শেন্থং ফংনবা অমদি বেঙ্কদগী লোন লৌনবসু হোৎনরম্মী অদুবু ফংখিদে। মরম অদুনা ইশাগী লৈজবা শেনফম খরা পুথোক্তুনা বিজিনেস তৌবা হৌরকখি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা বেঙ্ককী লোন অরায়বা মওংদা ফংহন্নিংই। ঙসি লোন শিংদবা মীওই কয়া লৈরম্লোই হায়না খল্লি। বেঙ্কশিংদসু লৈঙাক্লা নহাশিংদা লোন অরায়বা মওংদা ফংহল্লু হায়না য়াথং পীহন্নিংই। লমদম অসিদা লৈরিবা বেঙ্কশিং মীয়ামদগী শেল খোমগৎনবা খকলা হায়বসি অচৌবা ৱাহংনি। নহাশিংদা অরায়বা মওংদা লোন অমদি তোঙান-তোঙানবা শেন্থং কয়া পীবিরবদি চহী খরগী মনুংদা শোয়দনা ইকোনোমি য়াম্না ফগাৎলক্কনি। ইন্দষ্ট্রি-ফেক্টরিনচিংবসু মরাং কায়না লিংখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা অদুমক লৈরবদি চাওখৎপা ৱাগনি হায়জনিংই। অসিগুম্বা ৱাফমশিং অসি মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইদুনা এসেমব্লিদা পুখৎনিংই অমদি লৈঙাক্তা য়াওশিন্দুনা হায়রিবা থবকশিং অসি থবক্তা ওন্থোকনিংবদগী পোলিটিক্সতা চঙলকপনি।

ৱাহং : ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সতা করি-করম্বা শেমদোকহন্নিংবা অমদি হোংদোকহন্নিংবা ৱাফমগদি লৈব্রা? করিগুম্বা লৈরগদি হায়বিয়ু।

পাউ: অহানবদা মণিপুরদা চৎনরিবা পোলিটিক্সকী মতাংদা হায়জগে। পোলিটিসিয়ান অমা ওইদুনা মীয়ামগী লুচিংবা ওইরগা মীয়ামদগী লাপ্পা লৈনরিবা অসি কদাই ফাওবা চুম্বগে হায়বা ৱাহং হংনিংই। তম্পাক লমগী এম এল এশিং ক্বাটরদা লৈফম থোক্তে, চীংগী এম এল এশিংনা ক্বাটরদা লৈবদি অমরোমদা করিসু কায়দে। হায়জনিংবা ৱাফমদি লুচিংবশিংনা মীয়ামগা পুন্না লৈমিন্নদুনা চৎমিন্নহন্নিংই। ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সকী মতাংদা হায়রগদি পোলিটিক্সতা চঙলক্লিবা মীওইশিংগী এদ্যুকেসনগী অকক্লবা দিগ্রি অমা থমহন্নিংই। লোয়ননা রিলিজন অমদি রিজনেলিজমদা বেজ তৌবা পোলিটিক্স তৌহন্নিংদে। মরম অদুনা মণিপুরগী পোলিটিক্সতসু লৈবাক্কীদমক অমদি মীয়ামগীদমক কৎথোকপা ঙম্বগী ৱাখল্লোল চেনবা এদ্যুকেসনগী মঙাল ফজনা ফংবা অমদি য়ামদ্রবদা হিন্দি অমদি ইংলিস লোল ফজনা ঙাঙবা-শকপা ঙম্বা মীওইশিং পোলিটিক্সকী লমদা চঙহন্নিংই।